# এস য়ু অমসুং ৱাই য়ু এফ সীনা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী২১ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা তাকয়েলগী সাই কমপ্লেক্সতা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ১২রক শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এস য়ুনা য়ু কে বিবু পাঞ্জল ৭-৫ দা অদুগা ৱাই য়ু এফ সীনা ই এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা এস য়ু অমসুং য়ু কে বি টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অদুগী অহৌবদা টিম অনীনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অমনা অমবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা ঙম্নখিদে। অদুবু খঙহৌদনা মেচ অদুগী মরিশুবা মিনিটতা এস য়ুনা থুনা য়াঙনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী প্রেমানন্দ (১৫) না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। এস য়ুনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা য়ু কে বিগী প্লেয়রশিংনা কন্না হোৎনখি। অদুবু হাফ মতম লোইবাফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংনবা হোৎনদুনা অমনা অমবু মায়থিবা পীনবা অকনবা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী ৬৪ শুবা মিনিটতা এস য়ুগী পাউখোনমাং (১০) না পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। য়ু কেবিগী প্লেয়রশিংনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা মেটচ অদুগী ৭৯ অমসুং ৯০ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা মেটচ লোইবা ফাওবদা ২-২ দা মান্ননা লৈখি। মদুগী মতুং টাই ব্রেক কাউনখিবদা এস য়ুনা পাঞ্জল হেন্না চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৭-৫ দা থোইবা ঙমদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ই এস য়ু অমসুং ৱাই য়ু এফ সী টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু ৱাই য়ু এফ সীনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নদুনা বোল হেন্না পায়বগী খুদোংচাবা ফংখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙন্বগী খুদোংচাবা ফংলবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী তাঞ্জা লৌবা ঙমখিদবনা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী শান্নবদসু ৱাই য়ু এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৫২ শুবা মিনিটতা অয়াটচিফাং (১৫) না মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী এক্সট্রা টাইম শান্নখিবদা ৱাই য়ু এফ সীগী রুংসিং মুনাও (১০) না পাঞ্জল অমগা অমুক চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। থা অসিগী ২৩ পুং ১০.৩০ তাবদা কে এস সী অমসুং এই য়ু অমদি পুং ১.৩০ তাবদা ৱাই য়ু এফ সী অমসুং ক্লাসিক সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

# রাসমনি মেমোরিয়ল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ৱাই সী সী আই সী (বি) অমসুং ঐচ য়ু থেংনরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোক্কিগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৬ তগী হৌরগা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ১০ শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিয়ল অন্দর ১৫ বোইজ এন্দ অন্দর ১৭ গার্লস ৭-এ সাইদ হোক্কি টুর্নামেন্ট-২০২২কী ঙসি নুপা টিমগী ওইনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাই সী সী আই সী (বি) অমসুং ঐচ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকায়না মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মটেচতা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ৱাই সী সী আই সী (বি) অমসুং এস ৱাই য়ু সী টিম অনীগী মরক্তা অহানবা সেমি ফাইনেলগী মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর শান্নবা হৌগৎলকপদা ৱাই সী সী আই সী (বি) টিমনা এস ৱাই য়ু সীবু খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ৱাই সী সী আই সী (বি) না এস ৱাই য়ু সী টিমগী মায়োক্তা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী ওইনসু ৱাই সী সী আই সী (বি)না মখা তানা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। ক্বার্টর অসিগী ওইনসু ৱাই সী সী আই সী (বি)না পাঞ্জল অনী অমুক চনবা ঙমদুনা ৪-০ দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা ৱাই সী সী আই সী (বি) না পাঞ্জল অনী অদুগা এস ৱাই য়ু সীনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৬-১ দা ৱাই সী সী আই সী (বি)না মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবা এস ৱাই য়ু সীনা কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল ২ চনখি অদুগা ৱাই সী সী আই সী (বি)না পাঞ্জল ১ চনখি। মসিনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱাই সী সী আই সী (বি)না পাঞ্জল ৭-৩ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।



অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ নুংথিলগী পুং ২.৪৫ তাবদা ঐচ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং টি ঐচ ঐচ এ থৌবাল টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২/২ চন্নদুনা চপ মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদসু টিম অনী অমদু অমনা অমবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিদে। চাং মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং লৌবা ঙম্নখিদে। মরম অদুনা ক্বার্টরগী অরোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী ২-২ দা অদুম্মক মান্ননা লৈখি। মেটচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নবদা ঐচ য়ুনা টি ঐচ ঐচ এবু খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী বোল হেন্না পায়বগী খুদোংচাবা ফংখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙন্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা টি ঐচ ঐচ এগী মায়োক্তা এটেকশিং চত্থবা হৌরকখি। অনীশুবা ক্বার্টরগী অরোইবা ফাওবদা ঐচ য়ুনা লাকচনা শান্নদুনা পাঞ্জল অনী মখা তানা চনবা ঙমদুনা ৪-২ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ অদুগী অরোইবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরগী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টি ঐচ ঐচ এনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা শান্নখি। অদুবু ঐচ য়ুগী প্লেয়রশিংনা হৈনা শিংনা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ১/১দগী হেন্না চন্নবা ঙমখিদে। মেটচ অদু ঐচ য়ুনা ৫-৩দা থোইখি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নাওমি ওসাকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি): হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইদুনা টেন্নিস মশান্নদা মশাগী ওইবা ফিদা অমা কনবা ঙমদুনা লাকখ্রবী নাওমি ওসাকা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থিবা নংখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

মেলবোর্নগী মারগরেট কোর্ট এরেনাদা ঙসি জপানিজ দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নাওমি ওসাকা অমসুং অমেরিকান প্লেয়র অমান্দা অনিসিমোভাগী মরক্তা মেটচ শান্নখি। অহানবা সেটতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওসাকানা অমান্দাবু থোইখি। অদুবু অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেটতা চহী নৌরিবী অমেরিকান টেন্নিস প্লেয়র অসিনা ওসাকাবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মহাক্না মরীশুবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান এসলি বার্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

নাওমি ওসাকাবু মায়থিবা পীরবা মতুং মশাগী চহী ২০ শুরবী অমেরিকান প্লেয়র অসিনা ফোঙদোকখিবদা, দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নাওমি ওসাকাবু মহাক্না থোইগনি হায়বসি খল্লুদবা অমনি। অদুবু ঙসিগী মেটচ অসিদা ওসাকা মায়থিবা পীবা ঙমখিবা অসি মহাক্কী ওইনদি অচৌবা এচিভমেন্ট অমনি। অমরোমদা নাওমি ওসাকাগা মহাক্না লম্বা তৌবা ফংখিবা অসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি। ঐহাক য়াম্না চেকশিন্না শান্নখি। ওসাকা হান্নদগী চেম্পিয়ন ওইদুনা লাক্লি। মহাক্কী ওইনদি হৌজিকসু ওসাকা চেম্পিয়ননি হায়খি।

# নোর্দর্ন লিয়াংমাইগী ১৪ শুবা স্পোর্টস মীট লোইশিনখ্রে

সেনাপটি, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস): সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চাখা ভিলেজদা নোরদর্ন লিয়াংমাই স্পোর্টস এসোসিএসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী হৌরগা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ১৪ শুবা স্পোর্টস মিটকী থৌরম ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা লান্থোকপগী অচম্বা থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।



স্পোর্টস মিট অসিদা ফুটবোলগী ওইনা নুপা টিম ২০, নুপী টিম ১০ অদুগা ভোলিবোলগী ওইনা নুপা টিম ১৮, নুপী টিমগী ওইনসু টিম ১৮না শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না নোরদর্ন লিয়াংমাইগী মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং ২২ দগী লাকখিবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা তমেংলোংগী হান্নগী এ দি সী চেয়রমেন কে হুমালিয়াবৌ, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অদি রিয়ামৈ অমসুং নগালেন্দ ফুটবোল কোচেস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট কাদিলিনবৌ এস পিনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ফুটবোল ইভেন্টতা নুপা টিমগী ওইনা কৌ রি য়ুথ ক্লবনা নাল্লোং য়ুথ ক্লবপু মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নরগী ট্রোফি লৌখি অদুগা নুপীগী ওইনা কাদি য়ু থ ওর্গনাইজেসননা কাদি-৩ (কসানলোং)বু মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা ভোলিবোল ইভেন্টকীদা নুপা টিমগী ওইনা দুটনোং য়ুথ ক্লবনা কুইলোং য়ুথ ক্লবপু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা ট্রোফি লৌখি। অদুগা নুপীগী ওইনাকাদি-৩ (মসানলোং) না কাদি য়ুথ ওর্গনাইজেসনবু মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নরগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা দাইজ মেম্বরশিংনা অসিগুম্বা মখলগী টুর্নামেন্ট অমা মায় পাক্না শিনবা ঙমখিবগীদমক নোরদর্ন লিয়াংমাই স্পোর্টস এসোসিএসনবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হেন্না চাওনা পাঙথোকহন্নিংবগী অপাম্বশিং ফোঙদোকখি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী হোষ্ট ওইখিবা চাখামা ভিলেজকী ওথোরিটিশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মখোয়গী মতেংনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখিবনি । ভিলেজ অসিনা স্পোর্টপু থাক ৱাংনা খন্দুনা লৌখিবা থৌদাংশিং মীয়াম্না কাউফম থোক্তেহায়খিবগা লোয়ননা স্পোর্টকী কান্নবশিং মীয়ামদা খঙহনখি।

# অফঘানিষ্টানবু রন ২৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

পোর্ট ওফ স্পেন, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি): ট্রিনিদাদকী ব্রাইন লরা ষ্টেদিয়মদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা অন্দর ১৯ ৱার্ল্ড কপকী গ্রুপ সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পাকিস্তাননা অফঘানিষ্টানবু রন ২৪ দা থোইদুনা সুপর লীগকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌদোকপগী টোস পাকিস্তাননা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। অদুবু মেটচ অদুগী অহুমশুবা ওভরদা পাকিস্তাননা মখোয়গী ওপনর হসিবুল্লা খান শিখিবদগী খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্নখি। ওপনর খান আউট ওইখ্রবা মতুং মুহমদ শেজাদ অমসুং অবদুল ফাসেনা হৈনা শিংনা শান্নদুনা রন ৬০ হান্না লৈরম্বা রন মশিংদা হাপচিনবা ঙমখি।

মুহমদ শেজাদনা রন ৭ ফুন্দুনা হাফ সেঞ্চুরি য়ৌনবা টার্গেট তৌখি। অদুবু রন ৪৩ লৌরগা মহাক আউট ওইখি। মদুগী মতুং অবদুল অমসুং স্কিপর কাসিম অক্রমনা মেটচ অদুবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখি। অদুবু মবান্নিসু ইথু থুনা আউট ওইখি। অদুম ওইনমক মবান্নিনা আউট ওইদ্রিঙৈদো হান্না লৈরম্বা রন মশিংদা অতোপ্পা রন ১০৬ হাপচিন্দুনা মবান্নি আউট ওইবা ফাওবদা পাকিস্তানগী রন ১৭৩ দা লৈখি। মদুগী মতুং মাজ সদাকটনা বোল ৩৭ তা রন ৪২ লৌদুনা পুন্না রন ২৩৯ ওভর ৫০ লোইবা ফাওবদা ৱিকেট ৯ শিরগা লৌবা ঙমখি। অদুবু পাকিস্তাননা লৌখিবা রন মশিং অদু য়ৌগদবা রন ২৪ ৱাৎলঙৈদা অফঘানিষ্টানগী ৱিকেট পুল্লপ শিখিবদগী পাকিস্তাননা থোইখি।

# লিজেন্দরি বৈচিং ভুতিয়ানা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি): এ এফ সী এসিয়ান ফুটবোল কপ হৌদোকপা নুমিত্তা য়ুন্থু ইন্দিয়া অমদি ইরানগা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা শান্নখিবা হৈ শিংলবা খুৎশান্না অদুবু ইন্দিয়াগী লিজেন্দরি ফুটবোল প্লেয়র বৈচিং ভুতিয়ানা হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মেটচ অসি ইন্দিয়ানা থোইরবদি পোইন্ট অহুম ফংগদবনি। অদুবু মায়োক্নরিবা লম্বা ইরানগী হৈ শিংলবা গোল কীপ্পরনা অঙকপা পোকপা সেভ কয়া তৌদুনা অরেম্বা তাহনখিবদগী ইন্দিয়ানা থোইবা ঙমখিদবনি। মতম পুম্নমক্তা টিমগী ওইনা অহানবা মেটচসি য়াম্না মওং মরিল তাগন্দে। অদুবু ঙসি ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা হিরম খুদিংদা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা ইরানগা মায়োক য়াখিবা অসি থাগৎনিঙাইনি।

ইন্দিয়াগী টিমনা এটেক চত্থবা অমদি দিফেন্দ তৌরকপদা শিজিন্নরিবা টেক্লিকশিং অসিনা ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইরিবা থোমাস দেনর্বিনা টিম অসিগীদমক হোৎনরিবা অদু ময়েক শেংনা উৎলি। মসিগীদমক মহাকপুসু থাগৎফম থোকই হায়খি।

অমরোমদা নুপী ফোরৱার্দশিংগী মরক্তা মণিপুরগী বালা য়াওরম্লবদি হেন্না ফজবা ঙল্লমগনি। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপী ফুটবোল্লর বালা সজ ৰি তৌরুবদগী ফগৎলকপদা ঙাইরি। ফুটবোল মশান্নদা অশোক অপন নংবা হায়বসিদি মশান্না অসিগী শরুক অমনি। বালা য়াওদ্রবসু ঙসিগী টিম অসিনা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অমদি মহাক য়াওদবগী অহোবা টিম অসিনা লৈহল্লোইহায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা হান্নগী ইন্দিয়া নেসনেল ৱিমেন ফুটবোল টিমগী কেপটেন ওইরম্বী বেমবেমসু য়েংবা লাকখিবগা লোয়ননা ইরানগী মায়োক্তা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী মশান্না অদুবু অপেনবা অমদি হরাওবসু ফোঙদোকখি।

# পোলোগী মেটচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা ১৭শুবা ৱিমেন ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ অমসুং ৫শুবা জুনিয়র বোইজ অন্দর ১৬ ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ ইরোইশেম্বা কাংজেবুংদা হৌদোকখ্রবা মতুং ঙসিগী ওইনা শান্নগদবা মেটচশিং নোংচীংগী ফিভম ফত্তবা অমসুং শান্নগদৌরিবা গ্রাউন্দগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লে। শান্নবগী অনৌবা মতম নৌনা লেপ্তুনা মরী লৈনবশিংদা অথুবা মতমদা খঙহল্লগনি। খুদোংচাদবা অসিগীদমক মীয়াম্না ৱারৌদনবা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওইনাম চিংলেনসনা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# বেদমিন্টন ষ্টার লি জি চহী অনীগী অথীংবা থমখ্রে

ক্বালালম্পুর, জন্যুৱারী২১ (ঐচএনএস): মালেসিয়াগী টোপ বেদমিন্টন প্লেয়র লি জি জিয়ানা নেসনেল টিমদগী তোল্লগা ইন্দিভিদ্যুল ওইনা শান্ননবা ফিরেপ লৌখিবা অদুগী চৈরাক ওইনা মহাকপু চহী অনীগী ওইনা টুর্নামেন্টশিং য়াওবদা অথিংবা থমখ্রে।

বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা মালেমগী থাক্তা ৭শুবা মফম কল্লিবা লি জি জিয়া লৈবাক অসিগী হান্নগী লিজেন্দরি প্লেয়র লি চোং ৱৈগী মচানি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা চহী নৌরিবা প্লেয়র অসিনা টুর্নামেন্ট কয়াগী টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মমিং লৈরবা প্লেয়র অমা ওইনা মালেমগী মীয়াম্না খঙনবা হৌরকখিবনি। অদুবু মমাং চহীদগী হৌরগা মহাক্কী পর্ফোমেন্স ফজবা ৱাৎপা হৌরকখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্সতসু শান্নরোয় অসি হান্নগা মান্ননা শান্নবা ঙমখিদবগা লোয়ননা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা শান্ননবা ফিরেপ লৌখিবনি।

# সিনিয়র নেসনেল ৱিমেন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুরবী অচৌবী ওকখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস): হন্দক্তা কেরলাদা পাঙথোকখিবা হেরো ২৬ সিনিয়র নেসনেল ৱিমেন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২ দা মণিপুর টিমদা শরুক য়াদুনা শান্নরুরবি ময়াংময়ুম অচৌবীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেন মনিং লৈকায়না শিন্দুনা ফৌদেন মনিং লৈকায় জনাজা হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেনগী প্রসিদেন্ট এম দি সলাউদিন শাহ, ৱাংখেম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অলহাজ কিরামত অলি, অম্মুকোক হেদ ওফিসকী প্রসিদেন্ট এম এম জলাল শৈখ, ৱাকাফ বোর্দ মণিপুরগী মেম্বর এদভোকেট রাবি খান, পিনাকল একাদমি লিলোং কালৈখোংগী প্রিন্সিপাল এম দি অনৱার খান, সোসল ৱার্কর এম দি সেরাজুদিন অমসুং এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয় এন ভুপেন্দ্রনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।



তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয়শিংগী মথৌনা অমদি হৈ শিংবা কয়া অদু মখোয়না পুরকখিবা লৈবাক অসিগী মীংচৎশিং অদুনা উৎলি। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলিবনি। খুন্নাই অমা চাওখৎপদা শান্ন খোৎনবা, শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি আর্ট এন্দ কলচর য়োকখৎপা মথৌ তাই। মরম অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী হায়রিবা হিরমশিং অসিগা মরী লৈননা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি ময়াংময়ুম অচৌবী ফৌদেন মোইরাংপলিদগী এম দি সলামগী মচানুপীনি। হন্দক্তা কেরলাদা পাঙথোকখিবা হেরো ২৬ সিনিয়র নেসনেল ৱিমেন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২ গী ৱিন্নর ওইখিবী মণিপুর টিমদা মায় পাক্না শরুক য়ারুখিবনি।


EMPLOYMENT NEWS

- Imphal Br (H.Q.) ওইনা Dy. Manager (MBA/MA/MSc+ 3 yrs Expt.)-2, Security/Gunmen-2, Office Asst. (Graduate)-2, Driver 2, Gr.-IV-2
- Samurou Branch ওইনা Office Asst.-2, Car Wash Helper-2, Mechanic-2, Driver-2, Iron W/Mistry-2
- Sekmai / Moirang / Thoubal / Kakching / Nambol Br কী ওইনা Office Asst. 2/2, Gr-IV-2/2 পামজে।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli, Imphal West,
Mobile No. 9774495994

HL-B/7334/4/12-1/2


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 354**

**IM Sokolin, Leonid (2482) - Muhammad Shahzeb (1990)**

**Titled Tuesday 14th Dec chess.com INT (3), 2021.12.14**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 d6 | 2.d4 Nf6 | 3.Nc3 g6 |
| 4.f4 Bg7 | 5.Nf3 c6 | 6.e5 Nd5 |
| 7.Ne4 O-O | 8.c4 Nb6 | 9.h4 Bg4 |
| 10.Be2 Nxc4 | 11.Bxc4 d5 | 12.Bd3 dxe4 |
| 13.Bxe4 e6 | 14.h5 Nd7 | 15.hxg6 fxg6 |
| 16.Qb3 Nb6 | 17.Ng5 Qxd4 | 18.Be3 Qc4 |
| 19.Rh4 ... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 353 Ans. :**
19. ...Qe2# Damiano's bishop mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com